www.sanaleibak.in

# SANALEIBAK সনালৈবাক

PROGRESSIVE JOURNALISM

24 Carat/g : ₹ 15,138 | 22 Carat/g : ₹ 14,160 | 1 Kg Silver : ₹ 2,35,054 | Gram Silver : ₹ 2,323 | WEATHER: Partly cloudy | Temperature 30/21°C | Sunrise: 05:04 AM | Sunset : 05:08 PM | Petrol : ₹ 106.87 | Diesel : ₹ 92.57 | GAS TODAY Nil | sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 286 | IMPHAL, SUNDAY, SEPTEMBER 27, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪-২৫ | নোংমাইজিং, লাংবনগী ১৬নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

নহাক্কী ৱাহৈদু মমল লৈনা
লৌদবা মফমদদি তুমিন্না লৈবনা
খ্বায়দগী ফবা পাউখুমনি

## সেনাপতিগী কালেংজাং খুলদা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা মাও ফুরুপকী ২ হাৎলম্লে, তমেংলোংদা য়ূম কয়া মৈ থারম্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা খূৎলায় পায়বশিংনা মীহাৎ মীপুন চত্থরকপা ঙসিসু লেপত্রি। ফম্নাইবশিংনা কনে দম তৌনরকপসু লেপত্রি।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কালেংজাং খুলদা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা মাও ফুরুপকী খুঞ্জা ২ তুম্লিঙৈদা কাপ্তুনা হাৎলম্লে, ২না অশোক অপন নংহল্লম্লে। তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী তামৈ পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা সোজামফাই কুকি খুলদা মী লৈনদ্রবা য়ূম ৭লোম মৈ থারম্লে।





মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা কুকি অমসুং নাগা ফুরুপ অনীগী মরক্তা লেপ্তুনা চত্থরক্লিবা হাৎন-শুনবগী থৌদোক মনুং চন্না ঙসিসু সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী কালেংজাং খুলদা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা লান্দারক্তুনা মীওই অনী হাৎখ্রে, অনীনা অশোক অপন নংহল্লম্লে।

এটেক্ট অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই অনী অদুদি দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্কী চৱাইনামৈ খুলদগী রোকি মাও অমসুং লাইসিরাফি ভিলেজদগী কুমার পাউমাই কৌই। শোক্লবা অনী অদুনা শাজাউবা ভিলেজদগী অশিহো সানি অমসুং মখেল ভিলেজদগী অদানি মানিও কৌই হায়রি।

থৌদোক অদু ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং ...মখা লমায় ৫দা...

### য়ু এন সিগী ইকোনোমিক ব্লোকেদ হন্দোকখ্রে

*ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ ইরাং থোক্লকপা য়াবা মফমশিংদগী কুকি সূ কেম্প লৌথোকপা, ওথোরাইজ তৌদবা কেম্পশিং থুগায়বা, দেজিগনেটেদ কেম্প মশীং হন্থহনবা য়াওনা ৱাফম কয়াদা য়ানবা পুরকপদগী য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সি)না মণিপুরগী নেসনেল হায়ৱেশিংদা চত্থরম্বা ইকোনোমিক ব্লোকেদ মতম খরগী ওইনা হন্দোকখ্রে। চহী অসিগী মে ১৩দা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা নাগা মীচম ৬ তমথিনা হাৎলকখিবা থৌওংবু য়ানিংদবা ...*মখা লমায় ৫দা...

### সি এম য়াওনা কন্দেম তৌনরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কালেংজাং খুলদা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা মাও ফুরুপকী খুঞ্জা ২ তুম্লিঙৈদা কাপ্তুনা হাৎলম্বা, ২না অশোক অপন নংহল্লম্বগী থৌদোক অদুবু সি এম য়ুম্নাম খেমচান্দনা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখ্রে। লোয়নবা হান্নগী সিএম বিরেননা 'এক্স'তা থাগৎপা পোষ্ট অমদা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি।

পোষ্ট অদুদা হায়, চহী অসি হৌরকপদগী হৌজিক ফাওবদা মী ৬০গী মথক্তা শিখ্রে। অদুগা চীংদা ইরাং থোকপসু লেপত্রি। খূৎলায় পায়বশিংনা য়ূমদা চঙলক্লগা তুমদুনা লৈবা মীওই ২কাপ্তুনা হাৎপা হায়বসি খ্বায়দগী হেন্না থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওই। অসিগুম্বা ...মখা লমায় ৫দা...

## 'ইকোনোমি শোক্লবদি চাউখৎপা ঙম্লোই, শান্তি লৈরবতদা চাওখৎকনি'




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ ইকোনোমি শোক্লবদি মতৌ করন্না ষ্টেট অসি চাউখৎপা ঙমগনি। মণিপুর চাওখৎনবা অমদি ইকোনোমি ফগৎনবগী অমত্তা ঙাইরবা লম্বীদি শান্তি লাক্লবা মতম খক্তদা ওইগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

হেরিটেজ টু হোরাইজন্স হায়বা ঠিমদা মরামদা পাঙথোকখিবা দোন বোস্কো কোলেজগী সিলভর জুবিলিগী থৌরমদা ৱাফম অসি চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখিবনি। থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তানা হায়খি, হৌখিবা চহী অহুম লোম অসিদা ইরাংনা মরম ওইরগা জি এস টি কলেক্সনদা লুপা ক্রোর ১,৩০০ রোম মাঙখি। ইরাং অসিনা মরম ওইরগা লৈত লায়রবা মীচম মীয়ামদা খম থেংনা ...মখা লমায় ৫দা...

### হার বেগ ১,৩০০ ফাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা পুরম্বা য়ুরিয়া হার বেগ পুন্না ১,৩০০ লোম বিষ্ণুপুর পুলিসনা ফাগৎখ্রে। পুলিসনা থাদোরকপা চেরোল অসিগী মতুং ইন্না হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৩দা হার বেগ ১,২০০ অদুগা সেপ্টেম্বর ২৫দনা হার বেগ ১০০ চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা পুদুনা লাকপা থেংনবদগী বিষ্ণুপুর পুলিসনা ফাখিবনি। ইনভেষ্টিগেসনগী থবক হৌখ্রে হায়রি।

### মরী লৈনদেঃসনাজাউবা

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ সেপ্টেম্বর ২৫দা মণিপুর পুলিস স্পেসিয়েল কম্মান্দো য়ুনিটনা এন আর এফ এমগী মেম্বর ২ ফারে হায়রিবা এল সুরেশ (২৭) অমদি নোংদ্রেনখোম্বা লাইতোংবম (২১) মীওইশিং অসি নেসনেল রিভোলুস্নরি ফ্রন্ট মণিপুর (এন আর এফ এম)গা মরী লৈনদে হায়না লূপ অসিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরী সনাজাউবনা ফোঙদোরক্লি।

### আর পি এফনা শেংদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ সেপ্টেম্বর ২৩দা ৩৩শুবা এ আর অমসুং সি দি ও ইম্ফাল ৱেষ্টকী টিমনা লাঙ্গোল গেম ভিলেজদগী ফারে হায়না মণিপুর পুলিসকী ফেসবুকতা ফোঙদোরকখিবা কোন্থৌজম রিতা (৫৩) মপুরোইবা ওইনাম জিতেন য়াইরিপোক অংথা মমাং লৈকাই আর পি এফ অমদি লান্মী শঙলূপ পি এল এগা মরী লৈনদে হায়না লূপ অসিগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী পব্লিসিটি বঙ্কিমনা ফোঙদোরক্লি।

## চহী অমগী মনুংদা অঙাং নুপীমচা লিশিং ৪৩ ফম্লানবিখিঃএন সি আর বি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ লৈবাক অসিগী ওইনা চহী অমগী মনুংদা অঙাং নুপীমচা লিশিং ৪৩ রোম ফম্লানবিখি হায়না নেসনেল ক্রাইম রিকোর্দস ব্যুরো (এন সি আর বি) গী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তগা পুখৎকদবনি, পার্লিয়ামেন্টদা নুপীগী সিটকী মশিং হেনগৎহনগনি অমদি গভর্ণমেন্টনা ৱিমেন ইম্পৱারগীদমক স্কিম কয়া পায়খৎলবসু এন সি আর বিগী রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্নদি মপুং ফানা তাইওন্নবা হায়বদু থোক্লে। লৈবাক অসিদা লৈরিবা নুপী অঙাংশিং করম্বা ফীভমদা লৈরি অমদি কয়া য়ান্না নমজা নমথেক্লবিবগী থৌদোক থোক্লি হায়বসি য়ান্না ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে। লৈবাক অসিদা চহী খুদিংগী নুপী অঙাংশিংদা নমজা নমথেক্লবিবগী চাং হেনগৎলক্লি। অদুগা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীবগী চাংনা হন্থরকপা অসি লৈবাক অসিগী ওইনা য়ান্না লাইবক থিবনি।

এন সি আর বিগী রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না হৌখিবা চহী ২০১৫দা চহী ১৮ গী ...মখা লমায় ৫দা...

## মণিপুরী শিবদা ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর লৈঙাক্না শা-ঙা শিবা ওইনা করিসু থৌশাদ্রেঃ ও ইবোবী

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ হন্দক মণিপুরগী চীংগী মফমশিংদা লেপ্পা লৈতনা মী শিরক্লিবা য়ূম মৈ থারক্লিবা অসিদা মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্না করিসু খন্দনা লৈথোক্লিবা অসি মণিপুরীশিংবু শা-ঙা ওইনা উরগা থৌশাদ্রিবরা হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।



হৌজিক মণিপুরগী মরু ওইনা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা কোংগ্রেস ভাবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্না মখা তানা হায়, হৌখিবা কুমজা ২০১৭দগী হৌরগা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা থাজনদবগী চাং নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্তুনা হৌজিক মৈতৈ অমসুং কুকিগী মরক্তা ইরাং থোকখ্রগা মদুগী ৱারোইশিন ...মখা লমায় ৫দা...

## লৈঙাক্কী ফিরেপ খঙদোক্লবা ইমাশিংনা সি এম বঙ্গলো তম্না চঙশিনগদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ সেন্সস অমদি এন আর সিগী মতাংদা লৈঙাক্কী চপ চাবা ফিরেপ অমা খঙদোক্লবা হয়েং ইমাশিংনা সি এম বঙ্গলো তম্না চঙশিনগদৌরি। সি এম বঙ্গলো তম্না চঙশিল্লকপা ইমাশিংদা কা হেনবা থৌওং চত্থদনবা কেম্পেন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসন (জে এফ দি)গী মায়কৈদগী লৈঙাক্তা থম্লক্লি।

নম্বোল খাবিদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীফম অমদা জে এফ দিগী ফাইনান্স সেক্রেটরী সুনিল করামনা হায়, জে এফ দিনা সেপ্টেম্বর ৩০ ফাওবগী মতম থাখিবা অদু লৈঙাক্না করি ফিরেপ লৌরবগে হায়বা খঙদোক্লবা ইমাশিংনা সি এম বঙ্গলো তম্না চঙশিনগদৌরিবনি। মসিদা লৈঙাক অমদি ওথোরিটিগী মায়কৈদগী কা হেনবা থৌওং চত্থবীগনু। মরুওইনা সেন্সস মপুং ফানা য়ৈথোক্তুনা মীতোপ খন্দোক্লবা কুমজা ১৯৫১দা বেজ ইয়ার ওইদুনা এন আর সি অপদেট তৌনবা ইনিদয়া লৈঙাক্না লাউথোক্লবগী মতাংদা য়ূম্ফম ...মখা লমায় ৫দা...

### দব্লিউ ৱাই টেব্লেট ফারে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লিলোং হাওরৈবী ময়াই লৈকাইদা লৈবী সিঙ্গা সবনম (৩৬) মপুরোইবা নুর অহমদ সোরা বাজারদগী চাউরাক্না দব্লিউ ৱাই টেব্লেট কে জি ৩.২ রোমগা কোন্ননা ফারে। পুলিসনা ফারবা সিঙ্গা সবনমদা য়াম্লবা দব্লিউ ৱাই টেব্লেটশিং অদু কদায়দগী অমদি করন্না পুরকখিবনো হায়বগী ৱাহং পাউহং চত্থখ্রে হায়রি।

### মিংচৎ থিনবা হোৎনবিগনুঃ ইমাশিং

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ থেংখাং কয়াদা শজিরোক্তগী কম্বাইন্দ ফোর্সনা খুৎলাই ফায় হায়দুনা পাউশিংদা য়াওনরিবা অসি শজিরোক্কী লমদম অসিবু মিংচৎ থিনবা শীনবনি হায়না ঙসি শজিরোক কম্যুনিটি হোলদা লমদম অদোমগী ইমা ইবেনশিংনা ৱাকৎ মীফম চত্থখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়ারদুনা য়ুরেম্বম সর্জুবলানা হায়, খুল অসিদা লৈরিবা মীওই ...মখা লমায় ৫দা...

### 'ইরাবতনা চৎলম্বা লীক্লম নীংশিংসি'

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ লময়ানবা ইরাবতনা চৎলম্বা লীক্লম, ৱাখল্লোন অমদি মহাক্কী মীৎয়েং শানবা থবক থৌরম ঐখোয় পুন্নমক্না নীংশিংসি হায়না সি এম খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচর অমদি ইরাবত মেমোরিয়েল চেরিটেবল ট্রষ্টনা খূৎশন্নদুনা লময়ানবা হিজম ইরাবত লৈখিদবগী ...মখা লমায় ৫দা...

### এন আর সি ময়েক শেংদবনা ইসু লৈখিগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ মণিপুর লৈঙাক্না সেন্টর লৈঙাক্তা মণিপুরদা এন আর সি চৎনহন্নবা ৱারোল হায়দবনা ষ্টেট অসিদা এন আর সিগী ইসু লৈখিগনি হায়না সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট নন্দো লুৱাংনা ফোঙদোকখ্রে।

থা অসিগী ২৪দগী হৌনা নুমিৎ হুন্নি চুপ্না ...মখা লমায় ৫দা...

### 'এৱার্নেস পীদুনা দ্রগতগী লাপথোক্লবা হোৎনসি'

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ দ্রগ য়ুজরশিংবু লান্না অমদি ক্রিমিনেল গুম্না উবগী মহুত্তা দ্রগনা খুন্নাই, ইমুং মনুং য়াওনা ইশাদা মাঙহল্লিবা কয়া অসিগী এৱার্নেস পীদুনা ময়াই কাবা নিষা শীজিন্নরিবশিংবু দ্রগতগী লাপথোক্লবা মতেং পাংবা ...মখা লমায় ৫দা...

## লোইরেদনা

লোইরে হায়হৈদে লোইরেনে
লমদমসে হেক মুৎলেদকো



ঐনা ঙাকপদি লৈঙাক্লিনেনা লৈরিবা
মোয়সিনিনে, মকোক পান্দ্রমাল্লে

## কুকি ওফিসিয়েল ১না ভোটিং রাইট মৎলম্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ হৌখিবা চহী ১৯৭২দগী হৌদুনা মিজোরমদা লাই ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (এল এ দি সি)গী রিজনদা লৈদুনা শাংলবা চহী কয়া ভোটিং রাইট ফংদুনা ভোট থাদদুনা লাকখ্রবা মোগ বুধিষ্ট কম্যুনিটিগী মীওই কয়া মণিপুরদা বেজ তৌবা কুকি ওফিসিয়েল অমনা ভোটিং রাইট মৎপদা নত্তনা পোকপগী সার্টিফিকেট ফাওবা মত্তুনা লৈবাক অসিগী সিটিজেন অমদা লৈঙাক্না পীবা খূদোংচাবা কয়া ফংহন্দনা লৈরে হায়না দিজিটেল ...মখা লমায় ৫দা...

## লৈঙাক্না পিলোং থৌদোক্কী করি এক্সন লৌখৎলবগেঃ কোকোমি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ লৈঙাক্না কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী পিলোংদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী করি এক্সন লৌখৎলবগে হায়না কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি) হংলক্লি।

কোকোমিগী আই পি আর সব-কম্মিটিগী কনভেনর ফিজম শ্যামচান্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লমদম অসিগী মীয়ামসু সেফ ওইবা পুন্সি মরেল অমদা তংদু লৈতানা হিংবা ঙমদ্রি হায়বসি কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী পিলোংদা থোকখিবা থৌদোক অসিনা ময়েক লারবা খুদমনি। মখুৎতা খুৎলায় মতিক চানা পায়রবা ম্যান্মারদা বেজ তৌবা কেএনএবিনা ইন্দিয়াগী ...মখা লমায় ৫দা...

## এম এস পি দি সি এলগী থৌওং পেন্নিংঙাই ওইদে ঃ এসোসিয়েসন

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ মণিপুর ষ্টেট পাৱর দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সি এল)না স্মার্ট মিটর পানবা অমসুং তোয়না মৈ মুখৎপগী থৌওংশিং পেন্নিংঙাই ওইদে হায়না ওল মণিপুর পাৱর কঞ্জুমর এসোসিয়েসন্না ফোঙদোরক্লি।

এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী কোন্থৌজম সনাতোম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদনা মৈ য়ুনিট ২০০-৩০০ লেম্না কঞ্জুমরশিংদা পীরি। অদুগা মণিপুরদনা পুম্নমকশিং অসিগা তাইওননা থবক তৌরি হায়না ওল মণিপুর পৱার কঞ্জুমর এসোসিয়েসননা ...মখা লমায় ৫দা...




## হেক্তা হায়জিনবা

### লমদম অমগী ৱারী

লমদম অমা লৈ
চীন্না লৈঙাকই লমদমদু
খূৎ ইয়াও য়াওদনা
ঐনা অদু তৌরে
ঐনা অদা তৌরে
তৌদি ইতৌ তৌদনা
লমদম অমা লৈ
হাৎসু পঙহাত্ত হাৎনবা
মৈসু পঙথাদ থানবা
লৈঙাক্ন কৈসু থৌশাদবা
প্রজাসু কৈসু পাখৎপীদবা
শিনি খন্না পাঞ্জবা
পালি ঙায়দুনা লৈজবা
লমদম অমা লৈ
মাঙলমচৎ চৈরগা লৈনবা
হৌজিকসু কৈসু তৌদবা
তুংলমচৎকীসু থওইদবা
মীগী অশোয়বা থিনবা
মশাগী অশোয়বা লোৎশিনবা
লমদম অমা লৈ।

## সনামহি শঙলেনদা মীওই কয়ানা শরুক য়াদুনা লাংবন চরা তম্বগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ লাইনিংথৌ সনামহি শঙলেনদা মীওই কয়ানা শরুক য়াদুনা মীতৈ ফুরুপকী খ্বায়দগী মরুওইবা লাইনিং লাইশোনগী থৌরম অমা ওইরিবা লাংবন চরা তম্বগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংগী মফমদা চেঙ-থোইদিং, হৈ-লৈ কৎখ্রে।



ইম্ফালগী হয়িংখোঙবাল উফোং য়ূম্ফমদা লৈবা লাইফমলেন অসিদা পাঙথোকখিবা লাংবন চরা তম্বগী থৌরম অদুদা মীয়ান্না পুরকপা লাইতিনগী পোৎলম খূদিংমক লাইনিং থৌ সনামহি টেম্পল বোর্দকী ভাইস প্রসিদেন্ট এল রামেশ্বর য়াওনা অমাইবা অমাইবীশিংনা নীংথিনা শীন-লাংদুনা লাংবন চরা তম্বগী থৌরম অদু পাঙথোকখি। লোয়ননা লাইনিংথৌ সনামহি অমদি ইমা লৈমরেল শিদবীগী মফমদা অথেনপোৎসু কানখি। তুংদা লাইফমলেন অদুদা লাক্লিবা মীওইশিংগী চাক্লেনসু বোর্দ অসিনা শীন লাংখি। লাইফমলেন অসিদা লাংবন চারা তম্বা লাক্লখিবা মীয়ান্না ...মখা লমায় ৫দা...

সনালৈবাক কী টেলিফোন নম্বরশিংঃ সার্ক্যুলেসন অমসুং ওফিসকীনা 8787846223 দা, গ্যাসকীনা, 9402247588 দা, ঈ-পাউগী ওইনা 8830812368 দা, এডভর্টাইজমেন্টকীনা 9436829185 দা পাউ পীবিবা য়াগনি